# কৃষ্ণ নগর অমসুং সুহাস য়াথিরাজগী গোল্ড অমসুং সিলভর মেদলনা ইন্দিয়াগী অপূনবা মেদল ১৯ য়ৌখ্রে

টোকিও, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী): ঙসি টোকিও পেরালিম্পিক্সকী লোইশিনবা নুমীৎতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কৃষ্ণ নগর অমসুং সুহাস য়াথিরাজনা বেদমিন্টনগী তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংদা মথংশিংনা গোল্ড অমসুং সিলভর ফংদুনা অপূনবা মেদল ১৯ য়ৌখ্রে।





কৃষ্ণ নগরনা ঙসি নুপাগী বেদমিন্টনগী এস ঐচ ৬ ইভেন্টকী ফাইনেলদা হোং কোংগী চু মান কাইবু ১৭-২১, ২১-১৬, ২১-১৭তা থোইদুনা পেরালিম্পিক্স অসিদা ইন্দিয়াগী গোল্ড মেদল ৫ শুহনখি। লোয়ননা নুপাগী বেদমিন্টনগী এস এল ৪ কেটগোরিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সুহাস য়াথিরাজ সিলভর মেদল ফংহৌখি। মহাক্না ফাইনেলদা ফ্রান্সকী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অহুল্লক ওইবা ঙমখ্রবা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান লুকাস মাজুরবু অকনবা লম্বা পীদুনা শান্নরকপদা গেম ১-২দা মায়থীবা নংখিবনি। অহানবা গেম অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সুহাসনা ২১-১৫দা থোইখি। মদুগী মতুং ফ্রান্সকী শান্নরোয় অদুনা ফজবা হেল্লক্তুনা অনীশুবা গেম অদু ২১-১৭তা থোইরগা অহুমশুবা গেম অদুসু ২১-১৫দা থোইখিবদগী হৌজিক-হৌজিক উত্তর প্রদেশকী গৌতম বুধ নগর (নোইদা)গী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ওইরিবা সুহাস য়াথিরাজ সিলভর ফংহৌবনি।

ঙসিগী মেদল অনী অসি থারগা টোকিও পেরালিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী অপূনবা মেদল ১৯ শুখি। মদুদা গোল্ড ৫, সিলভর ৮ অমসুং ব্রোঞ্জ ৬ য়াওখি। হায়রিবা পর্ফোর্মেন্স অসি কুমজা ২০১৬কী রিও পেরালিম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী গোল্ড মেদল ২, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ অমমম্ ফংলগা শুপ্নগী অপূনবা মেদল ৪ ফংখিবনি। পেরালিম্পিক গেমস অনী অসি চাংদম্নরুবদা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল মশীং ৩ হেনগৎপা ঙমখি। সিলভর ৭ অমসুং ব্রোঞ্জ ৫ হেনগৎনা ফংদুনা পেরালিম্পিক্স অসিদা মেদল টেলিগী মকোক-মথং তাবগী পরিংদা ২৪শুবা পোজিসনদা লৈখি। রিও পেরালিম্পিক্সতদি ইন্দিয়াগী টিম অসি ৪৩শুবা থাক্তা লৈখিবনি। মেদল টেলিগী থাক্তসু হান্নগী পেরালিম্পিক্স অদুগা হন্দক্কী অসিগা চাংদম্নরুবদা থাক ১৯ হাইগৎপা ঙমখি।

টোকিও পেরালিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী গোল্ড ফংখ্রবা এথলিটশিং অদুদি শুটিংদা অভানি লেখরা, জেভলিনদা সুমিট অনটিল, শুটিংদা মনিশ নরৱাল লোয়ননা বেদমিন্টনদা প্রমোদ ভগৎ অমসুং কৃষ্ণ নগরনি। সিলভর ফংখিবশিং অদুদি টেবল টেন্নিসতা ভাবিনা পটেল, নুপাগী হায় জম্পদা নিশাদ কুমার, নুপাগী দিস্কস থ্রোদা য়োগেশ কাথুনিয়া, জেভলিন থ্রোদা দেবেন্দ্র ঝাঝারিয়া, নুপাগী তোঙান-তোঙানবা হায় জম্পগী কেটগোরি অনীদা মারিয়াপন থেঙ্গভেলু অমসুং প্রভিন কুমার, শুটিংদা সিঙ্গ্রাজ অদানা, বেদমিন্টনদা সুহাস য়াথিরাজনি। অদুগা ব্রোঞ্জ ফংখিবশিং অদুনা নুপাগী জেভলিনদা সুন্দর গুজর, শুটিংদা সিঙ্গ্রাজ অদানা, নুপাগী হায় জম্পদা শরদ কুমার, শুটিংদা অভানি লেখরা, আর্চরিদা হর্ভিন্দর সিংহ অমসুং বেদমিন্টনদা মনোজ সরকারনি।

পেরালিম্পিয়নশিং অসিনা উৎখিবা পর্ফোর্মেন্স অসিবু মায়কৈ কয়াদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি। লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর য়াওনা অতোপ্পা মায়কৈশিংদগীসু অপেনবা অমসুং থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি।

# ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা দবলসকী প্রি ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ৌখ্রে, নুপীগী নম্বর ১ বার্টি রোজর্সকী মখূৎতা লৈহৌরে

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নম্বর ১ নুপাগী দবলস শান্নরোয় রোহন বোপানানা ক্রোএসিয়াগী ইভান দোগিককা প্যের ওইরগা অনীশুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। অমরোমদা নুপীগী সিঙ্গলসকী ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টি য়ু এস এগী শেলভি রোজর্সকী মখূৎতা অহুমশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে।





য়ু এস ওপন অসিগী নুপাগী দবলসতা ১৩শুবা রেঙ্কতা শরুক য়ারকখিবা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং ক্রোএসিয়াগী ইভান দোগিকনা ঙরাং অথেংবদা পোলেন্দগী হ্যুগো নিজ অমসুং ফ্রান্সকী এ রাইন্দরদেককা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেট অদু ৬-৩দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেটতা পোলেন্দ অমসুং ফ্রান্সকী প্যের অদুনা ৬-৪দা থোইরগা অহুমশুবা সেটকীদমক লম্বা তৌনরকপদা ইন্দিয়া অমসুং ক্রোএসিয়াগী প্যের অদুনা হ্যুগো নিজ অমসুং রাইন্দরনেকপু ৬-৪দা থোইরগা প্রি ক্বার্টর ফাইনেলদা মরিশুবা সিদেদ প্যের য়ু এস এগী রজিব রাম অমসুং গ্রেট বৃটেনগী জো সালিসবুরিগা লম্বা তৌনরগনি। রাম অমসুং সালিসবুরিনা মখোয়গী অনীশুবা রাউন্দদা ব্রাজিলগী টি মোন্টেরো অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী জে মিলমেনবু ৬-৩, ৬-৪দা মায়থীবা পীরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ওষ্ট্রেলিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ১ শান্নরোয় এস্লি বার্টি য়ু এস এগী শেলভি রোজর্সনা অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরগা অহুমশুবা রাউন্দ অদুদা সেট ১-২দা মায়থীহৌখি। অহানবা সেট অদু রোজর্সনা ৬-২দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুনা এস্লি বার্টিনা ইৱা ৱাদনা ৬-১দা থোইরগা সেট অমমম্ মান্নখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদু হেঞ্জিন্নদবদগী ট্রাই ব্রেক শান্নরকখি। টাই ব্রেক অদুদসু লাকশিন্নবা ঙম্নরক্তবদগী পোইন্ট ৫-৫ মান্নদুনা লৈনরকপদগী থংনবা পোইন্ট অনী রোজর্সনা ফংদুনা ৭-৫দা থোইরগা ৪শুবা রাউন্দদা স্পেনগী সোরিভস টোর্মোবু ৬-০, ৬-১দা থোইরম্বী গ্রেট বৃটেনগী ঈ রাদুকানুগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা অনীশুবা সিদেদ বেলারুসকী এরিনা সভালেনকানা অহুমশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী দি কোলিন্সপু ৬-৩, ৬-৩দা থোইদুনা মরিশুবা রাউন্দদা টুনিসিয়াগী ও জেবোলবু ৬-৩, ৭-৫দা থোইরম্বী বেলজিয়মগী ঈ মর্টেন্সকা লম্বা তৌনরগনি।

মরিশুবা সিদেদ চেক রিপব্লিককী কেরোলিনা প্লিসকোভানা ওষ্ট্রেলিয়াগী এ তোমজানোবিচপু ৬-৩, ৬-২দা থোইদুনা মরিশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী অনাষ্টেসিয়া পাব্লুচেনকোভাগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা ৬শুবা সিদেদ কানাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রিস্কুনা ৪শুবা রাউন্দদা গ্রিসকী এম সকারিগা লম্বা তৌনরগনি। এন্দ্রিস্কুনা বেলজিয়মগী জি মিনেনবু থোইরমখি। অদুগা সকারিনা ১০শুবা সিদেদ চেক রিপব্লিককী পেট্রা কিটোভাবু মায়থীবা পীরম্বনি।

নুপাগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী জোকোবিচনা জপানগী নিশিকোরিবু সেট ৩-১দা থোইরগা ৪শুবা রাউন্দদা রসিয়াগী এ কারাটসেভকা থেংনরগনি। মরিশুবা সিদেদ জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেভকী লম্বা য়ু এসকী জে সোক মরিশুবা সেটতা রিটায়র্দ তৌখিবদগী জ্বেরেভ ৪শুবা রাউন্দ য়ৌখি।

# সুনিল ছেত্রি অমসুং ফরুক চৌধরিগী পাঞ্জল অনীনা নেপালবু ইন্দিয়ানা ২-১দা থোইখ্রে



কাথমান্দু, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়া অমসুং নেপালনা ঙসি কাথমান্দুদা লৈবা দশরথ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অনীশুবা ফ্রেন্দলি মেটচ অদুদা কেপ্টেন সুনিল ছেত্রি অমসুং ফরুক চৌধরিনা পাঞ্জল ২ চল্লগা নেপালবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি, হৌখিবা শগোলশেন নুমীৎতা শান্নখিবা অহানবা ফ্রেন্দলি মেটচ অদু টিম অনী পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা দ্রো চৎখিবনি।

ইন্দিয়াগী টিম কোচ আইগোর ষ্টিমেকনা অহানবা ফ্রেন্দলি মেটচ অদুদা লৈখিবা প্লেয়িং ১১ অদুদগী ঙসি হৌরকপদা শান্নরোয় খরা হোংদোক-হোংজিন তৌখি। অদুবু অহানবা হাফ অদুদা মদুগী কান্নবা ইফং ফংবা ঙমখিদে। নেপালগী মায়দৈগী এটেক হেন্না চথবা ঙমখি। অহানবা হাফ অদু পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা চুশিন্নবা খরা হেনগৎলক্তুনা ৬২শুবা মিনটতা চিংলেনসনানা নেপালগী পেনাল্টি বোক্স ময়াইদা থাদরকপা বোল অমা ফরুক চৌধরিনা পাঞ্জল ওস্থোক্লগা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী মিনট ৭৯ লানশিল্লকখি। পাঞ্জল চন্নবা হোৎনবদা নেপালগী দিফেন্দরশিং অদুসু ইন্দিয়াগী হাফতা চঙশিল্লকখিবা অদুদগী নাস্থোরকপা বোল অমদা কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা পুশিল্লগা গোলকিপর অদুবু মায়থীবা পীদুনা ৮০শুবা মিনটতা টিমগী ২শুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

নেপালগী মায়কৈদগী ৮৬শুবা মিনটতা টেজ টমাংনা য়াম্না ফজবা লোং রেঞ্জর অমগী শোটনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেটচ অদু লোইশিনখি। ওক্টোবর থাদা লৈবাক অনীনা এস এ এ পি চেম্পিয়নশিপতা থেংনগনি।

# গোল্ড ফংলকখ্রবা মিলন ওকখ্রে



ককচীং, সেপ্টেম্বর ০৫ (ঐচএনএস): হন্দক্তা গোৱাদা পাঙথোকখিবা নেসনল কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা নুপাগী কিলোগ্রাম ৪৫গী মখাদা লৈবা কেটগোরিগী ওইনা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবা নাওরেম মিলন য়ুঠ য়ুনিয়ন ক্লব ককচীং ৱাইরিনা ওকপগী অচম্বা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি ওকপগী থৌরম অদুদা গোল্ড মেদলিষ্ট নাওরেম মিলন অমদি মহাক্কী ওজা কে এস ঐচ বিরেন অমসুং এন অজিৎসু ইকাই খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা ক্লব অসিগী এদভাইজরি বোর্দকী মেম্বরশিং, এন জয়মঙ্গোল, এস ঐচ নিলমণি অমসুং এম ফালগুনিনা দেজতা ফমখি।

হন্দক পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরনা পূন্না গোল্ড মেদল ১০ লৌরকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা টুর্নামেন্ট অসি চৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা এন অজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা পূন্না হোৎনমিন্নরবদি লমদম অসিদা কিক বোক্সিং হায়রিবা মশান্না অসিদা মেদল কয়া লৌদুনা মালেমদা শক তাকপা ঙমগনি হায়খি।

# অঙান চীং ইকো পার্কতা এম এম এগী প্রেক্টিসিং সেন্টর অমা শেমগৎলগনি : মেনেজমেন্ট কম্মিটি

ককচীং, সেপ্টেম্বর ০৫ (ঐচএনএস): ককচীংদা লৈবা অঙান চীং ইকো পার্ক মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী মায়কৈদগী ঙসি সন্দে ইকো ক্লবনা লেপ্তুনা চত্থরকপা থৌরমশিংগী মনুং চন্না অমদি ওজাগী নুমীৎকা মরী লৈননা ঙসি ইকো পার্ককী হেরিটেজ কমপ্লেক্সতা তোঙান-তোঙানবা মখলগী উপাল ১০০ থাখিবগা লোয়ননা পার্ক অসিদা মিক্স মার্সিএল আর্টসকী প্রেক্টিসিং সেন্টর অমসু শেমগৎলগনি হায়না কম্মিটি অসিগী মায়কৈদগী সুর্জিৎ ক্ষেত্রিময়ুমনা ফোঙদোরক্লি।




ঙসি উপাল থাবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা হন্দক্তা কির্গিষ্টানদা পাঙথোকখিবা গম্মা এসিয়ন এম এম এ চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা ককচীং সুমাক লৈকাই মখা লৌদগী দিনেশ নাওরেমবু তরাম্না ওকখ্রে।

এল্লাইন্স ফোর দিভলপমেন্ট ওল্টর্নেটিভস-মণিপুর (এ দি এ এম), ককচীংনা মেনেজমেন্ট কম্মিটি অঙান চীং ইকো পার্ক ককচীং, ককচীং ট্রেক্করস অমদি টিম হেলমেটকা লোয়ননা পূন্না শীনখিবা উপাল থাবগী থৌরমদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এদিসনেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (ওপস) কে এস ঐচ মনিহার অমদি দিষ্ট্রিক্ট পুলিস ককচীংগী কম্মান্দো য়ুনিটকী পর্সনেলশিং, ফ্রেন্দশিপ স্পোর্টিং ক্লব ককচীং ফৌশুপাৎ লৈকাইগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

দিনেশ নাওরেম অমসুং কে এস ঐচ মনিহার অমদি ফ্রেন্দশিপ স্পোর্টিং ক্লবকী প্রসিদেন্ট পি ইনাওসনাদা 'য়েস এস ঐচঈ' টি-শর্টশিং খূদোল তৌবগা লোয়ননা সুর্জিৎ ক্ষেত্রিময়ুমনা অঙান চীং ইকো পার্ক মুভমেন্টকী মরমদা শরুক য়াখিবশিংদা পাউদমখি। লোয়ননা দিনেশ নাওরেম অমসুং কে এস ঐচ মনিহারনা লুচিংদুনা উপালশিং অদু থামিন্নখি। লোয়ননা মার্সিএল আর্টসপু পামজবশিংনা থেংনরিবা খূদোংচাদবা খরমখৈ কোক্লনবগী পান্দমদা ইকো পার্ক অসিদা এম এম এগী প্রেক্টিসিং সেন্টর অমা শেল্লগনি হায়খি।

# মহম্মদন স্পোর্টিং ক্লবনা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সপু ৪-১দা থোইখ্রে

কোলকাটা, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী): মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী লিরবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অহুমশুবদা লৈরিবা অদুগা এসিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী লিরবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা দুরান কপকী ঙসি শান্নবা হৌখিবা গ্রুপ এগী মেটচতা মহম্মদন স্পোর্টিং ক্লব অমসুং ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ৪-১দা য়ুম্বু ক্লব অদুনা থোইবা ঙমখ্রে।

কুমজা ১৮৮৮দা হৌদোকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি হৌখিবা এদিসন অসি ১৩০রক শুবা এদিসননি। মমাংগী সিজনদা গোকুলম কেরলা এফ সীনা টাইটল লৌবা ঙমখি। পূন্না টিম ১৬না শরুক য়ারিবা টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী টিম অমসুং আই লীগকী টিম কয়ানা শরুক য়ারি।

সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু মহম্মদন স্পোর্টিং ক্লবকী মায়কৈদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা ওংনাম মিলননা শান্নবগী ১৯শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ অদু মহম্মদন স্পোর্টিং ক্লবকী মায়কৈদগী বোল হেন্না পায়বা ঙম্বগী খূদোংচাবা ফংখি। ৩১শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী অতোপ্পা শান্নরোয় অরিজিটনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। অদুগা ৪৫শুবা মিনটতা টিমমেট অঝরউদ্দিন মালিকনা পাঞ্জল ১গা হাপচিল্লগা ৩-০দা অহানবা হাফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ২ চঙশিল্লকপদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী মায়কৈদগী সৌরভ সাধুখাননা পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি। অদুবু মখা তাবা টিম অদুগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদ্রিঙৈ ৭৭শুবা মিনটতা মহম্মদন স্পোর্টিংগী মার্কস লেরিকনা টিমগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকখি। হয়েং এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদ অমসুং সী আর পি এফ থেংনগনি। অদুগা সুদেভা দেল্লী অমসুং জমশেদপুর শান্নগনি।

# টোকিও ওলিম্পিক্সতা সিলভর মেদল ফংলকখ্রবী মিরাবাই চনুগী কোচ এল অনিতা অমসুং সনসম ব্রোজেন্দ্রো তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৫ (ঐচএনএস): লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্লোবেল ক্লব নম্বর ১৩৫৪২১না শীন্দুনা ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা হন্দক টোকিওদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা সিলভর মেদল লৌরকপা ঙমখ্রবী সাইখোম মিরাবাই চনুগী কোচ অনী এল অনিতা চনু অমসুং সনসম ব্রোজেন্দ্রো ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।




লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্লোবেলগী চার্টর প্রসিদেন্ট কে ঐচ কিশোরনা থৌরম মপূ ওইদুনা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরমগা মরী লৈননা কোচ এল অনিতা চনুনা ফোঙদোকখিবদা, সাইখোম মিরাবাই অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা শান্নববু থৱায় য়াওজবা অমদি মহাকপু তাকপী-তন্বীরিবা ওজাশিংবু য়াম্না ইকাই খুম্নবা উৎপা অমা ওইনা হৌরকখি। মহাক্না ওজাশিংগী মফমদা থল্লম্বা থাজবা অমদি ওজাশিংগী ৱাফমশিংনা মরুওইবা শীন্থানি খন্দুনা হোৎনরকখিবা অদুনা ঙসিদি মীয়াম্না মশক খঙবা শান্নরোয় অমা ওইবা ঙম্লে। হৌখিবা কুমজা ১৯৯৮দা বৈজিংদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা ৱেথলিফটিং মশান্নদা মহাক মশা (অনিতা) শরুক য়ারুখি। অদুবু মহাক মায় পাকপা ঙম্লকখিদে। মতম অদুদগী হৌরগা ৱেথলিফটিং মশান্নদা মেদল লৌবা ঙমগদবা শান্নরোয় অমদি পুথোক্কেহায়না চপ য়ুংনা খনবা হৌরকখি। সাইখোম মিরাবাইনা সিলভর মেদল ফংলকপদা মহাক মশা ওলিম্পিক গেমসতা মেদল লৌবা ঙমখিদ্রবসু মহাক্না লৌবগা চপ মান্ননা হরাউজখি অমদি মিরাবাইনা মেদল ফংবগী পাউ তাবদা মমীৎতগী মপি তারকখিবা খঙহৌদে হায়খি।

থৌরমগী মখা তারকপা ওইনা কোচ সনসম ব্রোজেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, লায়ন্স ক্লবনা শীন্দুনা ঙসি টিচর্স দেগী নুমীৎ অসিদা মখোয় অনীবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখিবা অসি য়াম্নমক পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই। মহৈরোয়শিংনা ওজাগী নুমীৎ লাকপদা ওজাশিংদা ইকাইখুম্নবা উৎপগী থৌরমদি হান্নদগী হৌনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অদুম ওইনমক লায়ন্স ক্লবকুম্বা মমিং লৈরবা ওর্গনাইজেসন অসিনা ওজাগী নুমীৎ অসিদা মখোয় অনীবু তরাম্না ওকপীবা অসিনা মরম ওইরগা অনৌবা থৌনা অমা পীরি। মতুং তারকপদা হেন্না অফবা শান্নরোয়শিং পুথোক্তুনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরক্নবা হোৎনগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লায়ন্স ক্লবকী মেম্বরশিংনসু মাগী-মাগী ওইবা তোঙান-তোঙানবা শান্নবগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কোচ অনীনা কন্না হোৎনদুনা ওলিম্পিক গেমসতা সিলভর মেদল লৌবা ঙম্লকখ্রবী সাইখোম মিরাবাই চনুগুম্বী শান্নরোয়শিং লমদম অসিদগী পুথোকপগীদমক থাগৎ ৱাহৈ কয়াসু ফোঙদোক্লখি।

# ফ্রান্স অমসুং য়ুক্রেন য়ুএফা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িংদা ১-১দা দ্রো চৎখ্রে

কিয়েব, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী): কটারনা য়ুম্বু ওইরগা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফুটবোল মশান্নগী খ্বাইদগী চাওবা টুর্নামেন্ট ফিফা ৱর্ল্ড কপকী য়ুরোপিয়ন ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা ফ্রান্স অমসুং য়ুক্রেন পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

য়ুক্রেননা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী কোনুং কিয়েবতা লৈবা এন এস কে ওলিম্পিক্স ষ্টেদিয়মদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা হৌরকপদা লম্বা মান্নরম্বদগী য়ুক্রেনগী সাপারেনকোনা ৪৪শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ফ্রান্সতগী মাঙজিল থাখি।

ৱর্ল্ড কপকী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ফ্রান্সকী টিমদা ষ্ট্রাইকর কিলিয়ন মাপে শোকপদগী ঙরাংগী মেটচ অদুদা শরুক য়াখিদে। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা ফ্রান্সকী মায়কৈদগী কিংসলে কোমান অমদি এদ্রিয়ান রাবিওটনা শেমগৎলকপা বোল অমা এন্থোনি মার্সিএলনা ফংদুনা পাঞ্জল ওস্থোকখিবদগী মেটচ অদুগী মখা তারকপদা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবনা ১-১দা দ্রো চৎখি।

গ্রুপ এদা সর্ভিয়ানা লুজেমবর্গপু ৪-১দা থোইখি। মদুনা মকোক ওইরিবা পোর্টুগালগা পোইন্ট ১০/১০দা মান্নবা ঙল্লি। গ্রুপ জিদা নেদরলেন্দসনা মোন্টিনেগ্রোবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইদুনা গ্রুপ অদুগী ওইনা টর্কিগী মথংদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। হন্দক পাঙথোকখিবা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা দেনমার্ককী মায়কৈদগী ঙরাং জোনাস ৱিননা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা ফেরো আইলেন্দসপু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ অদুগী মকোক্তা লৈবা ঙল্লি। গ্রুপ ঐচতা ক্রোএসিয়ানা স্লোভাকিয়াবু ১-০দা থোইদুনা রসিয়াগা মকোক্তা লৈমিন্নরি।

# থোমাস এন্দ অবর কপ অমদি সুদিরমান কপকী শান্নরোয় লাউথোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী): ওক্টোবর ৯দগী ১৭ ফাওবা দেনমার্কনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা থোমাস এন্দ অবর কপ ফাইনেলস লোয়ননা ফিনলেন্দদা সেপ্টেম্বর ২৭তগী ওক্টোবর ৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সুদিরমান কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা মহুৎ শিনগদবা শান্নরোয়শিংগী মমিং ঙসি বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা লাউথোকখ্রে।

লন্দন ওলিম্পিক গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সাইনা নেহৱালনা নুপীগী মেম্বরশিং অদুগী লুচিংবা ওইগদৌরি। অদুগা নুপাগীদা বি সাইপ্রনিটনা লুচিংগদৌরি।

থোমাস এন্দ অবর কপকীদমক্তা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি নুপাগীদা বি সাইপ্রনিট, কিদম্বী শ্রিকান্ত, কিরন জোর্জ, সমির বর্মা, এস রানকিরেদ্দি, চিরাগ সেথি, ধ্রুবা কাপিলা, অর্জুন, কে পি গারাগা অমসুং ভি ভর্ধাননি। নুপীগীদা সাইনা নেহৱাল, এম বনসোদ, অদিটি ভট্ট, টাস্নিম মির, টানিশা ক্রাষ্টো, রুতু প্রনাপন্দা, অস্বিনি পোনাপা, এন সিকিরেদ্দি, গায়াত্রি অমসুং ত্রিশা জোলিনি।

সুদিরমান কপকী ওইনা নুপাগীদা প্রনিট, শ্রিকান্ত, রানকিরেদ্দি, চিরাগ সেথি, দি কাপিলা অমসুং এম আর অর্জুননি। নুপীগীদা অদিটি ভট্ট, মালদিকা বনসোদ, টানিশা ক্রাষ্টো, আর পন্দা, পোনাপা অমসুং রেদ্দিনি।


# কোচ শাস্ত্রি কোভিদ পোজিটিভ ওইরে, ইন্দিয়াগী ২শুবা ইন্নিংস রন ৪৬৬ লৌখ্রে

লন্দন, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা থা অসিগী ২দগী শান্নবা হৌখিবা টেষ্ট মেটচ মঙাগী সেরিজকী মরিশুবা টেষ্ট মেটচ শান্নরিঙৈ ইন্দিয়াগী কোচ রবি শাস্ত্রি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরক্তুনা অতোপ্পা মেম্বর অহুমগা লোয়ননা আইসোলেসনদা থমখ্রে। ঙসি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা রন ৪৬৬ লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, মরিশুবা টেষ্ট মেটচ অদুগী টোস ইংলেন্দনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়ানা অহানবা ইন্নিংস শান্নবদা ৱিকেট ১০মক আউট ওইরগা রন ১৯১ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা ইংলেন্দনা অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৱিকেট ১০ আউট ওইরগা রন ২৯০ লৌখি। ইংলেন্দগী রন ৯৯ শোত্থরগা লৈখিবা ইন্দিয়ানা অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ফজবা ঙমদুনা ৱিকেট ১০দা রন ৪৬৬ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংসকী ওইনা ওপনর রোহিট শর্ম্মানা রন ১২৭ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজখি। পুজারাগী রন ৬১, থাকুরগী রন ৬০, কে এল রাহুলগী রন ৪৬ অমসুং কেপ্টেন কোহলিগী রন ৪৪ পনবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি। ইংলেন্দনা মায় পাক্লনবা রন ৩৬৮ লৌননবা হোৎনরকপদা রন ৩৭ লৌরগা শান্নরি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 221**

**Pachmann, Ales (2160) - Hornicek, Jiri (2315)**
**Mlada Boleslav op Mlada Boleslav (3), 1994**

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 c6 | 2.c4 e5 | 3.Nf3 Qa5 |
| 4.Nc3 Nf6 | 5.Be2 Bb4 | 6.O-O O-O |
| 7.d3 d5 | 8.cxd5 cxd5 | 9.Nxe5 Bxc3 |
| 10.bxc3 dxe4 | 11.Nc4 Qc7 | 12.dxe4 Nxe4 |
| 13.Qd3 Bf5 | 14.Qf3 Bg6 | 15.Bf4 Qe7 |
| 16.Bd3 f5 | 17.Ne5 Re8 | 18.Bc4+ Kf8 |
| 19.Rfe1 Nc6 | 20.Rxe4... | |

**QUESTION :**
**White to Win**

**Puzzle 220 Ans. :**
31. ...Ne8 32.Qg7+ The white queen deflects Black's knight away from protecting the square f6. Nxg7 33. Nf6#
Smothered mate
32. Qg7+ Nxg7 33.Nf6#

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com